সি এ বি ২০১৬– থৌবাল কৈথেল থিংদুনা খোঙজং চখ্খ্রে
নেস্নেল হায়ৱেদসু হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোল্লাউ কয়া লাউখ্রে

থৌবাল। ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ ঃ সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সি এ বি) ২০১৬ য়ানীংদে, বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়না ঙসিসু থৌবাল কৈথেল মথক–মখা পোৎফম ফম্বী ইমা–ইবেনশিংনা নোংমগী শিল্হা লেপ্পুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বগা লোয়ননা নেস্নেল হায়ৱে তঙ্খায় থিংদুনা হ্যুমেন চেন শেম্বগা লোয়ননা খোল্লাউ কয়াসু লাউখ্রে।

ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতূংদগী থৌবাল কৈথেলদা পোৎফম ফল্লিবা য়াল্লবা ইমা–ইবেনশিংনা মশাগী শিল্হা লেপ্পুনা কৈথেল মমাঙদা ৱাকৎ মীফম চখখি। তুংদা নেস্নেল হায়ৱে ইম্ফাল মোরে লম্বীদা থোক্তুনা লম্বী তঙ্খায় থিংবগা লোয়ননা হ্যুমেন চেন শেমখি অমসুং খোল্লাউ কয়া লাউখি।

দাউন–দাউন বি জে পি, অৱাং নোংপোক্তা সি এ বি চৎনবা য়ারোই, রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌবা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মশীং য়াল্লবা পার্সোনেলশিংনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অকনবা ঙাক–শেনবগী থবকসু লৌখৎখি হায়রি।

থৌবাল কৈথেল মথক–মখা পোৎফম ফম্বী লূপকী সেক্রেটরী ঐচ বুধিপটিনা ফোঙদোরকখিবদি, মণিপুর সরকারগী থৌ পুরিবশিং অমদি লুচিংবা কয়ানা বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌখিদনবা থম্মোয় শেংনা হোৎনগদবনি। করিগুম্বদা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং শোকহনবা য়াবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি রাজ্য সভানা পাস তৌখিবা থোক্লবদি লমদম অসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে।

থৌবাল কৈথেল ইমা–ইবেনশিংনা মীয়ামগী খোঙজং কয়াদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াগনি অমদি বিল অসিগী মায়োক্তা মতম পূম্নমক্তা লেপকনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা অমনা য়ং ৱুমেন হেল্প ওর্গনাইজেসন কোনুং মমাঙ ইম্ফাল ইষ্টনা ফোঙদোরকখিবদি, লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক সেদ্যুল ত্রাইব ওন্নবা অমদি ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহন্নবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মতম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা বি জে পি না লুচিংবা সরকারনা ইৱাং অমা শাগৎলিবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি লোয়ননা সি এ বি পাস তৌনবা হোৎনরিবা অসিমক লমদম অসিগী য়েলহৌমী মুখৎনবা অচৌবা থৌরাংনি হায়রি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শান্তি দেবীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর অমদি ষ্টেট অসিগী বি জে পি লুচিংবশিংনা করিগুম্বা বিল অসি রাজ্য সভানা পাস তৌরবদি মিজোরামদা বি জে পি গী খোঙ্গুল মুখৎকনি হায়না লাউথোক্লগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি বি জে পি লুচিংবশিংনা উচি মখুলদা লোত্তুনা লৈবসি পেন্দে অমসুং মীয়ামগী ঈহুল খঙনা চৎতবা লৈবাক্কী ওইবা ইশু খুদিংমক মীয়াম অমসুং মহৈরোই কাঙবুনা থেঙনহন্নবা লৈঙাক্কী থৌওংসি পেন্দে হায়রি।

মরক অসিদা হন্দক শেমখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী এল্লায়েন্সতা আর্ম আদমী পার্টি (এ এ পি) সু ৱাখল মান্নবা পার্টিশিংগা লোয়ননা য়াওরগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। এ এ পি মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়, এ এ পি মণিপুরগী কনভেনর থৌদাম মণিহার সিংহনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা মীফমনা হীরম অসিগী মতাংদা কূপ্না খন্নরবা মতূংদা ফীরেপ অসি লৌখিবনি।

মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী মাঙনবা শিল্লকপা থৌওংশিংদা এ এ পি না ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা লোয়ননা মীয়ামগী ঈহৌদা শরুক য়াগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোক্লি।

লেপ্নখিবগী মতূং ইন্না চীফ মিনিষ্টর উন্নবা চঙলুবদা অয়াবা পীরক্ত্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ঃ জোইন্ট এস এস এ এন্দ রমসা টিচরস এসোসিয়েসন মণিপুরনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চখ্থরকপগী মনুং চন্না ঙরাং এদুকেসন (এস) দিরেক্তোরেটকী গেটতা প্রোটেষ্ট তৌখিবগী মতূং তারকপদা এদিস্নেল এস পি অমগী খুথাংদা ঙসি অয়ূক পূং ১০ দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহগা উন্নবগী এপোইন্টমেন্ট পীরকখি। অদুবু ঙসি অয়ূক পূং ১০ দা চীফ মিনিষ্টর উন্নবা এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাঙবু অমা চীফ মিনিষ্টর ওফিসতা চঙলুবদা অয়াবা পীরকখিদ্রে।

এসোসিয়েসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী পামৈ জিওননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙরাং লেপ্নখিবগী মতূং ইন্না ঙসি চীফ মিনিষ্টর উন্নবা চঙলুবদা অয়াবা পীরকখিদবতা নত্তনা মখা তানা উন্নবগী মতম অমা পীরকখিবসু লৈতে।

ওজা কম্যুনিটিবু লৈবাক্কী মপী–মপা ওইরিবশিংনা হঞ্জিন–হঞ্জিন ইকায়বা পীবগী থৌওং অসি ওজাশিংনা লুম্না লৌই। হৌজিক সরকারনা গো টু স্কুল মিসন হায়বা থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎলি। অদুবু ওজাশিংগী ফংফম থোকপা হক মপূং ওইনা থা ৯ হেনবগী তলব পীথোক্তবা অমদি ওজাশিংনা চহী ৭–৮ হেন্না সার্ভিস তৌরবা ফাওবদা প্রমোসনগী লাইন অমত্তা শেম্বীদ্রি অমসুং থম্বীদ্রি। স্কূল অমত্তদা লৈমিন্নরিবা ওজাশিংগী থাগী তলব চাং–নাইনা পীবা অমদি প্রমোসন পীনবগী লম্বী য়াৎতুনা থল্লি। অদুগা এস এস এ অমসুং রমসাগী রিগুলর ওইনা খনখিবা ওজা ৩,৫০০ রোমবু তোঙাননা হন্থবা থাক্তা থম্বীবগী থৌওং অসিনা মতৌ করম্না অমদি কয়াম কুইনা অফবা অমদি মগুণ লৈবা মহে–মশিং তাকপী–তম্বীবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংলি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মথৌ মশক খঙনা ওজাশিংবু পূক্লীং থৌগৎপীবগী মহুৎতা নমথদুনা থল্লিবা পেন্দ্রবা ওজাশিংনা মখল–মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি অমদি মসিদগী হেনবা খোঙজং কয়া অমসু চঙশিনখিগনি। পূম্নমক অসিদগী থোরকপা অফ–ফত্তা খুদিংমক সরকার অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবশিংনা পুগদবনি হায়রি।

ঐদি চীংদা শাৎপীনি মীতৈ
ময়েক এদিসন ফোঙলগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ ঃ হীজম গুনো ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৯ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পূং ১.৩০ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা হীজম গুনোগী উপ্যানাস ‘ঐদি চীংদা শাৎপীনি’ মীতৈ ময়েক এদিসন ফোঙলগনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ হ্যুমিনিটিগী দিন প্রো. চুঙখাম যসৱান্তা সিংহনা অথোয়বা মীথুংলেন অদুগা প্রো. (রি) পোলেম নবচন্দ্র সিংহনা থৌরম মপু ওইগনি। লাইরিক অসিগী মরমদা ডা. হাওরোংবম সুনিতা দেবীনা ৱাঙাংগনি হায়রি।

স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ ঃ স্মোল ইন্দষ্ট্রি দিভলপমেন্ট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (সিদ বি) গী মতেংগা লোয়ননা মণিপুর ইন্দষ্ট্রিজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিল (এম আই বি সি) ইম্ফালনা শিন্দুনা শোয়বুম শেম–শাবা অমসুং মাঙহন্দনা থম্বগী মতাংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম চৎলিবা থা অসিগী ২০ দগী হৌরগনি।

এম আই দি সি গী চেয়ার্মেন পি লোকেল সিংহনা ফোঙদোকখিবদি ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা লাইরিক–লাইশু হৈরবা এস সি, এস টি, ও বি সি গী নহা ওইরিবশিং শরুক য়াবা য়াগনি। অকূপ্পা মরোল চৎলিবা থা অসিগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা কাউন্সিলগী ওফিস পোরোম্পাৎ নৎত্রগা টেলিফোন নম্বর ৮৭৮৭৭২৩৯৬৭ দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

এম এস এফ একাদেমিক কেম্পেনগী কুমওন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ঃ মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেন্দরেসন (এন এস এফ) না ২০০৬ ফেব্রুৱারি ৯ দগী ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা একাদেমিক কেম্পেন হৌদোকখিবগী ১৩ শুবা কুমওন নীংশিং থৌরম থা অসিগী ৯ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পূং ১০ দা ইম্ফালগী টিদিম রোদ ঘরীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা পাঙথোক্কদৌরি।

এম এস এফ কী পব্লিসিটি সেক্রেটরী ইন–চার্জ খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌরম অসিগা মরী লৈননা এদুকেসন ইন প্রজেন্ট এন্দ মণিপুর তুমোরো হায়বা হীরমদা এদুকেস্নেল কনভেন্সনগী সেসনসু পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা কোসেমগী চিয়ার্মেন লমাবম মহেন্দ্র সিংহ, এম এস এফ কী প্রসিদেন্ট এন জি মিলন, হায়ার এদুকেসনগী জোইন্ট দিরেক্তর এন ইবোয়াইমা, স্কূল এদুকেসনগী রিছার্স দিভলপমেন্ট ওফিসার ইবেচৌবী লাইশ্রম, জেদ ই ও জোন–১ সুশিত্রা খুমুকচম অমসুং ঐচ আর দি একাদেমিগী প্রিন্সিপাল এল কমখ্যকুমারনা মথংশিংনা অথোয়বা মীথুংলেন থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি। অদুগা এদুকেস্নেল কনভেন্সন সেসন্দা এম য়ুগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসার ডা. চিংলেন মৈস্নাম, সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম, শমুশঙ শান্তিপুর য়ু পি স্কূলগী হেদমাষ্টর ইন–চার্জ কাংজম জয়েন্ত অমদি এ এম আর পি এস দব্লিউ এ গী সেক্রেটরী এল জয়খুমননা ৱাঙাংলোয় ওইগনি হায়রি।

রোদ সেফটি চয়োলগী মনুং চন্না বাইক রেল্লি থৌবালদগী লমথাখ্রে

OBSERVANCE OF 30TH ROAD SAFETY WEEK 2019
4TH - 10TH FEBRUARY, 2019
Theme : Sarak Suraksha Jeevan Raksha
Jointly Organised by :
District Transport Officer, Thoubal Manipur in association with IDTRC (Manipur Driving School, Thoubal) United Motors Kakching Rabi Driving School, Kakching & Kakching Motors, Royal Enfield
Under the Department of Transport Govt. of Manipur
DISTRICT TRANSPORT OFFICE

থৌবাল, ফেব্রুৱারি ০৭ ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ৩০ রক শুবা রোদ সেফটি ৱিক ২০১৯ গী মনুং চন্না ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসার (দি টি ও) সংহৈসেল তোলতাংনা বাইক রেল্লি লমথাখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ৪ দগী হৌখিবা ১০ ফাওবা চখ্থগদবা রোদ সেফটি কেম্পেন অসিগী থিমদি সরক সুরকস্যা জিবল রক্ষা হায়বসিনি।

ঙসি বাইক রেল্লি লমথাবগী থৌরম অদুদা দি টি ও থৌবালগী ষ্টাফশিং মণিপুর ড্রাইভিং স্কুল থৌবাল, য়ুনাইটেদ মোটোরস ককচিং, রবি ড্রাইভিং স্কুল ককচিং, ককচিং মোটোর রোয়েল ইনফিল্ডগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

মোটোর বাইক রেল্লি অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎলবা মতূংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা লানশিন্দুনা মীয়ামদা রোদ সেফটিগা মরী লৈনবা পাউজেল কয়া শন্দোক্কনি।

দি টি ও থৌবাল সংহৈসেলনা ফোঙদোকখিবদি, রোদ সেফটিগী পাউজেল পুবা রেল্লি অসি লিলোং, থৌবাল, ৱাংজিং, খোঙজোম, ককচিং, ৱাবগাই অমদি পলেল ফাওনা চৎতুনা মীয়ামদা লম্বীগী নীয়ম ঙাক্না চৎনবা পাউজেল পীগনি।

ইন্সটিট্যুট ওফ ড্রাইভরস ট্রেনিং রিছোর্স সেন্টর (আই দি টি আর সি) গী মেম্বর সেক্রেটরী শান্তিকুমার নাওরেমনা হায়, মীয়ামগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়া ঙাকথোক্লবা লম্বী চৎপগী নীয়ম ঙাক্লবগীদমক পাউজেল পুবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

এম য়ু ফার্ষ্ট গেটতা সেমরোক লিট্টল বিগিনর্স হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফার্ষ্ট গেট কাঞ্চিপুরদা ঙসি সেমরোক লিট্টল বিগিনর্স কঞ্জুমর্স এফিয়ার্স, ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিষ্টির করাম শ্যামনা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর শ্যামনা হায়, মমা মপা ওইবশিংনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু নীংথিনা য়োক্তুনা শেম্বীবা হায়বসি খুন্নাই শেম্বগা মান্নে। পীক্লিবা অঙাংশিংবু মোটিভেট তৌদুনা মখোয়গী অপাম্বা খঙদোক্তুনা লোয়নগদবনি। খুন্নাই অসিগী চৎনবী হৌন– লোনচৎ নীংথিনা তাকপী–তম্বীদুনা খঙহনবা তাই। মীতৌ তম্বা মশাগী লাইনীং–লাইশোন চৎনবী মীরাইরকপগী মমি কৈদৌঙৈদসু অঙাংশিংদা তাহল্লোইদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অঙাংশিংদা নীংঙাই তৌদনবা অমদি মমা–মপাদা য়েৎতনবগীদমক মোবাইল ফোন পীশিন্দুনা শান্নহনবনা ফোনদা লাইচুবতা নত্তনা মীৎ শোকপগী চাং ৱাংখৎনবগী মরম ওই। অদুনা অঙাংশিংবু নীংথিনা য়োকপীবা অমসুং শেন্নবীবা হায়বসি তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (সি এ য়ু) ইরোইশেম্বগী ও এস দি (ৱার্ক্স) এম লোকেন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা হায়, য়ুম শাবা মতমদা নীংথিনা য়ূম্ফম থোলহৌদ্রবদি অতেক–অকায় থোরকপগুম অফবা অমদি অওনবা খুন্নাই অমা পুরক্কবা হোৎনবদা অঙাংশিংবু নীংথিনা মখোঙ শোম্বীদুনা মায়োল চুম্না শেমগৎপা তঙাইফদে।

থৌরম মপু ওইখিবা একাদেমিক কন্সল্টেন্ট ডা. ৱাই সুসিনি দেবীনা হায়, পীক্লিবা অঙাংশিংবু মতম অয়াম্বদা লোয়নদুনা তাকপী তম্বীবা অমদি মখোয়গী ৱাখল লৌশিং ওইগদবা কয়া খঙহনবা তম্বীবা তঙাইফদে।

একজাম সেন্টর অমুক হন্না পীরকপদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

জিরিবাম ফেব্রুৱারি ০৭ ঃ কাউন্সিল ওফ হায়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ভ একজামগী সেন্টর বোরোবেক্রা হায়ার সেকেন্দরি স্কুলদা অমুক হন্না পীরকপদা বোরোবেক্রা সব–দিভিজনগী মীয়াম অমদি মহৈরোইশিংনা অপেনবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোকখি।

বোরোবেক্রা গভর্ণমেন্ট হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী একজাম সেন্টর ককখিবগী মতাংদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমসুং গার্জিয়ানশিং খূৎশম্নদুনা মীয়ামগা লোয়ননা মীফম পাঙথোক্তুনা একজাম সেন্টর অসি কক্তনবা দিপ্যুটি কম্মিস্নার জিরিবামদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা তকশিনখিবনি।

মদুগী পাউখুম ওইনা অমুক হন্না একজাম সেন্টর স্কুল অসিদা পীরকপদা মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমদি মীয়াম্না এদুকেসন মিনিষ্টর, লোকেল এম এল এ, দিরেক্তর, কোসেমগী ওথোরিটি অমদি দিপ্যুটি কম্মিস্নার জিরিবামবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর পি জিটেন সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোই থিন্দোক–থিঞ্জিন তৌরিবা গারীদা অথিংবা পীরকপসি কোমথোকপীয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ ঃ কেথোলিক মিসন স্কুলশিং অমদি লানহৌলূপ অমগী মরক্তা য়ানদবা ৱাফম খরনা মরম ওইরগা কেথোলিক স্কুলশিংগী একাদেমিক এদমোসফিয়ারদা অকায়বা লাক্লিবা অমসুং স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং থিন্দোক–থিঞ্জিন তৌরিবা গারীশিংদা অথিংবা পীরকপা অমদি অমাঙ–অতা থোক্কনি হায়না কিহল্লিক্লিবা অসি মহৈরোইশিংগী খন্দুনা অথুবা মতমদা হন্দোকপীয়ু হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না মরী লৈনবশিংগী পূক্নীং চিংশিল্লি।

দেসামগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ফিলেমচা বালেশ্বর মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মহৈরোই থিন্দোক–থিঞ্জিন তৌরিবা গারীশিংদা অথিংবা পীরকপা অমদি অমাঙ–অতা থোক্কনি হায়না কিহল্লকপা থৌওং অসি পাঙদবগী থৌওংনি হায়না লৌই। থিঙেলদা তায়নবা ঙমদ্রগা নাসিখোঙদা তায়নবগী থৌওং অসি খুদক্তা লেপকদবনি।

মহৈরোই পুথোক–পুশিন তৌরিবা গারীশিংনা অথিংবা অসি হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা লেপ্পীনবা ৱারেপ লৌরকপা অসিসু মহৈরোইশিংগী খ্বাইদগী লাইবক থিবনি। স্কুল সার্ভিস তৌরিবা গারীশিংনা লৌরিবা ৱারেপ অসিসু মহৈরোইশিংগী খনবীদুনা হন্দোকপীয়ু হায়নসু আপিল তৌরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কেথোলিক স্কুলশিংগী এদমিসনগী মতাংদা চহী খুদিংগী লূপ অমা নৎত্রগা অমনা স্কুল থিংজিনবা, ভেন সার্ভিস তৌরিবশিংদা অকি–অখং পীবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। হৌজিকসু থোক্লি। করি মরমগীদমক স্কুল থিংলিবনো হায়বসিদি মীয়ামদা অচৌবা ৱাহং অমা হায়দোকপা ঙমদবা পূক্নীংদা হংলিবনি।

দেসামগী মীৎয়েংদা ৱাফম অসি কয়ারক হন্না থিগৎখ্রে অমসুং নৈনদুনা লাক্লি। অদুবু এদমিসন কোটা পীয়ু য়াদবগী কেথোলিক স্কুল ওথোরিটিগা নিঙায় শঙদানবদগী অয়াম্বনা স্কুল থিংবা অসি তৌরকখিবনি। হন্দক্কী থৌওং অসিসু ৱাফম অসিমক ওইরগ্রেই হায়নীংঙাই লৈতে।

কেথোলিক এদুকেস্নেল সোসাইটিগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা এদুকেসনগী কাঙলোন চুমথোক্লবগী হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক লৌরকপা খোঙথাং ওইরবদি মীয়াম্না শৌগৎফম থোকই। নৎতদুনা লূপকী মীওইশিং এদমিসন তৌ হায়বা য়াংদবগীদমক মহে লোয়শঙ থিংজিনবা অমদি ভেন সার্ভিস তৌরিবশিংদা কিহন–খংহনবগী থবক চখরকপা অসিদি দেসামনা তরাইনা লৌদে।

ওইরিবা ফীভম অসিদা সরকারনা য়েংদুনা লৈথোকপীগনু। থা অসিগী ১১ নিংথৌকাবা নুমিৎতগী মহৌশাগুম স্কুল হাংদুনা ভেন সার্ভিস তৌহন্নবা হোৎনবীয়ু করিগুম্বা তুমিন্না লৈশিল্লবদি সরকারগী মথক্তসু খোঙজং চঙশিল্লক্কনি হায়রি।

দব্লিউ আর দি শিন্মীশিংনা খোঙজং চখ্থরকপা নুমিৎ ৮ নি শুখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ঃ ৱাতর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট (দব্লিউ আর দি) গী মাষ্টররোল অমদি ৱার্করশিংনা মখোয়গী থা ১২ গী খূৎশুমন পীথোকপীনবা সরকার অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা হায়জদুনা চঙশিল্লকপা খোঙজং ঙসি নুমিৎ ৮ নি শুখ্রে।

ওল মণিপুর দব্লিউ আর দি (আই এফ সি দি) ইমপ্লোইয়িজ এন্দ ৱার্করস ওর্গনাইজেসননা তোঙান তোঙানবা দাবী কয়া তান্দুনা হৌখিবা জনুৱারি ২৪ দগী সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং চখ্থরকখিবনি।

চেরোল অমদা হায়, চহী কয়া খুদোংচাবা অমত্তা ফংদনা মাষ্টররোল ওইনা থবক তৌদুনা লৈরকখিবা শিন্মীশিংগী খূৎশুমন থা ১২ হেন্না পীথোরক্তবনা মরম ওইরগা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। ইমুং পুবতা নত্তনা অঙাংশিংগী লাইরিক–লাইশু তম্বগী খরচ ফাওবা পুবা ঙম্লক্তবগী ফীভমদা লৈরি। ফীভম অসিদা সরকার অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা য়েংশিনবীদুনা শিন্মীশিংগী ফংফম থোকপা খূৎশুমন অথুবদা ফংহনবীয়ু লোয়ননা মাষ্টররোল অমসুং ৱার্ক চার্জ শিন্মীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং হৌখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারি ০৭ ঃ কাউন্সিল ফোর এদভান্সমেন্ট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট (সি এ আর দি) থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইনা স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ দিভলপমেন্ট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (সিদ বি) ইম্ফাল ব্রাঞ্চকা খূৎশম্নদুনা কেন এন্দ বেম্বো ক্রাফ্টকী চয়োল তরুক চখ্থগদবা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং ঙসি সি এ আর দি গী ট্রেনিং হোলদা হৌদোকখ্রে।

নহা ওইরিবা আর্টিসিয়ানশিংনা মশাগী কলচরেল আইদেন্টিটি ঙাক্কবা, স্কিল এক্টিভিটি কয়া হেনগৎনবা অমদি মশানা মশাবু থবক পীজবা ঙমনবা পান্দমদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

ঙসি হৌদোকপা থৌরমদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৩ গী কাউন্সিলর পি জাতিশ্বর, সিদ বি ইম্ফালগী বি ও ইন–চার্জ জি গুনকুমার শর্ম্মা, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগী সি ঐচ বসন্ত অমদি সি এ আর দি গী প্রসিদেন্ট আই অচৌনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

রিছোর্স পার্সন কয়ানা তোঙান তোঙানবা হীরমদা তাক্লম্বা অমদি থল্লম্বা ৱাফমশিং নীংথিনা খঙনবা হোৎনবগা লোয়ননা ঈরমদমগী পোথোক পুথোক্তুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনসি হায়না ৱাঙাংলোইশিংনা ফোঙদোকখি।

শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূন্নমক্না লৈমিন্নরম্বী ঐগী ইনাওনুপী, ঐগী ইতৈমা / ইচে অমদি ঐখোয় পূম্নমকপুনা নাওয়োক নাওকোনবীরম্বী ঐখোয়গী ইমা অমদি ইবোক লৈশাংথেম ওংবী **"সনাতোম্বী দেবী**না নুংশিজরবা ইমুং মনুং স্ব–পরিবার পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ০২।০২।২০১৯ ইং ৱাকচিংগী ২৮ নি পানবা থাংজ নুমিত্তা শ্রীশ্রীগোবীন্দগী কৃপাদগী বেশ ওল্লগা শ্রী কৃষ্ণ চৈতন্য লালিতা চরন্না দাসীনি হায়বা নামা ফংজদুনা শ্রীহরিগী চরন্দা বৃন্দাবন্দ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

তাং ০৭।০২।২০১৯ ইং ফাইরেনগী ২ (নীনি) পানবা শগোলশেল নুমিত্তা অষ্টি সঞ্চয় লৌখৎচরবা মতূং লাক্লিবা তাং ১৫।০২।২০১৯ ইং, ফাইরেনগী ১০ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা লৈখিদ্রবীগী শ্রাদ্ধা দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবী অসিগী আত্মা শান্তিগীদমক শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র প্রভুগী অগ্রহদা ঙমজবা হে লৈ বস্ত খরদং সেবা ওইজগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রক্ষণ–বৈষ্ণব, অহল–লমন, ইচে–ইচল, মরুপ–মপাং খিবীক্না মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরি নাম শ্রাবন তৌবীরনবা পত্রনা নিমন্ত্রন কচ্চরি। পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগীদমক অরানবা খিবিক ঙাকপীগনি।

বিনিতগণ ঃ

১। লৈশাংথেম তোম্বা সিংহ (মনাওনুপা)
২। লৈশাংথেম সনাজাওবা সিংহ (মচানুপা)
৩। লৈশাংথেম বিদ্যাশ্বর সিংহ (মচানুপা)
৪। লৈশাংথেম জোরিস সিংহ (মচানুপা)
৫। পারি লৈশাংথেম (মশুনুপা)

১। লৈশাংথেম ওংবী সনামচা দেবী (মচে)
২। লৈশাংথেম ওংবী পুর্ণিমা দেবী (মনাওনুপী)
৩। লৈশাংথেম ওংবী রঞ্জিতা দেবী (মমৌনুপী)
৪। তখেল্লম্বম ওংবী মিনাকুমারি দেবী (মচানুপী)
৫। খুমনথেম ওংবী অরুনা দেবী (মচানুপী)
৬। থোঙগ্রাম ওংবী প্রিয়ারি দেবী (মচানুপী)
৭। লৈশাংথেম ওংবী সপনা দেবী (মমৌনুপী)
৮। ভেলেন্তিনা লৈশাংথেম (মশুনুপী)
৯। প্রিয়াঙ্কা লৈশাংথেম (মশুনুপী)

লৈশাংথেম খোংমনুং ময়াই লৈকাই

SL/Bill (Thoubal)/08

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

- অঙাং লাইরিক ফনবা
- পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনবা
- হায়বা ইন্নবা
- নিশা চাদনবা
- থবক ফংনবা
- করবার তোংনবা
- শেল পায়নবা
- ইংখোল লৈবা ঙম্নবা
- য়ুম শাবা ঙম্নবা
- ফজবা গারী তোংনবা
- য়ুম্বাল কায়দনবা
- অঙাং য়াওননবা
- মীনা য়েংশিনবা চঙদনবা
- কেস ঙম্ননবা
- ভোৎ কাননবা
- অনাবা কোক্লনবা

খ্বাইদগী লায়বা উপায়দি ইশাগী কুঠী কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা কূপ্না অমুক্তং য়েংথোকপনি, কুঠী লৈত্রবসু ৱানিংঙাই ওইদে। সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চেকশিন্না খুবাক ময়ি য়েংজরি। চহী নিফুরোম ইশাগী শিনফম ওইনা থিজিল্লক্লি অমসুং য়েংজরক্লি। অফবা থবক্তি য়ৈথোক্লোইসি, ঙসিমক লাকপিদুনা ফনবা তান্নবিয়ু।

মীয়ামগী জ্যোতিষ মহাঋষি
ডা. পিঐইচ রাজেন্দ্র (ফাৰ্ই)
নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকাই, ইম্ফাল।

SL/3010/30 days

ঙসিগী রাষি ফল (০৭–০২–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ খুদোংচাবা থেনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লমতু চৎপা কান্নবা, মরুপ মফম ফগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১,২,৩ ফগনি।

বৃষঃ হোৎনবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, অফবা পাউ তাবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা মত চান্নরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ ফগনি।

মিথুনঃ চয়েৎনবা, খৎনবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা, শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। লম চৎপা চেকশিল্লু। অরুবদি পাঙথোক্লুগনি। নক্ষত্র ৫,৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

কর্কটঃ গারী তপ্না থৌগনি। খৎননিংগনি। শাওদবা ফগনি। শেল চৎপা মতম্নি। মীনা য়েংশিনবা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ চাং অমদা লৈ।

সিংহঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ফগৎপা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ ফগনি।

কন্যাঃ খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা মতম্নি। ইমুংদা খরা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২, ১৩, ১৪ ফগনি।

তুলাঃ ৱারৌবা, শাওনবা, খৎননিংবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।

বৃশ্চিকঃ চয়েৎনবা, মুরুবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈ। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭ ফগনি, ১৮ ফত্তে।

ধনুঃ চরক চহিং নাইবা, কোক শাবা, শেল ফংবা, চৎপা মতম্নি। শাওদবা ফগনি, অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ ফগনি।

মকরঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। ইমুংদা ইংনা লৈরগনি। নক্ষত্র ২১, ২২,২৩ অফবনি।

কুম্ভঃ খৎনবা, মুরুবা, কোক শাবা মতম্নি। শেল চৎপা, কোক শাবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩, ২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

মীনঃ শোক্কনবা, খৎনবা, কোক শাবা মতম্নি। শেল চৎপা, মীনা নুংশিবা ৱাংপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬,২৭ চাং অমদা লৈরগনি।


চাকঙাইঁ ৱারী-১১
চোং মচিন-মনাও মঙা
অহৈবা অমসুং অয়েকপা নোং পান
হুম কান্নদে খুলগী মকোক্তা পাউসে তাক্লুবনা ফগনি চৎলগে
খুলদা লাক্লগা ৱারী পুন্না মকোক্তা লীদুনা তাক্লে
করিনো মদুবু থাজবা য়াবা ৱাননে